**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-05-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চকমা চিংশাং পরিংগী চিংখোংদগী ষ্টেন গন অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, সিঙ্গল বেরেল অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, কিলোগ্রাম অনি লুম্বা আই.ই.দি. অমা অমসুং রেদিও সেট অমা ফংলে।

চেরোল অদুনা হায়-মনিপুর পুলিসনা ঙরাং আইনগী ৱাংমদা পেট্রোল অমসুং দিজল পুরম্বা মীওই অনি ফাগৎলে।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী বেহাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বুৱালকোট খুলদগী ম্যান্মার মচা মরি দ্রগকা কোন্ননা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-মফম অদুদা ম্যান্মার মচা অনি অদুনা কেনবো বাইক থৌদুনা লাকপদা চিংনবদগী মখোয়বু চেক তৌবদা সাপোন কেপ ২২ দা হাপ্লম্বা হেরোইননি চিংনবা পোৎলমশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। মখোয়না হায়দোরকপদগী বেহাংদগী ম্যান্মার মচা অনি সাপোন কেপ ৪৪ দা হাপ্লম্বা হেরোইননি চিংনবা পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওইশিংগী মথক্তা ফোরেন্সর এক্ট অমসুং এন.দি.পি.এসকী মখাদা এফ.আই.আর. অমা লৌখৎলে।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদগী মীওই অমা দব্লিয়ু.ৱাই.টেব্লেত কিলোগ্রাম অমগা কোন্ননা ফাগৎখি। মঙোন্দগী চে-চাং কয়ামরুমসু ফংলে হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** পুলিস সেলরি পেকেজ স্কিমগী মখাদা লৈখিদ্রবা মনিপুর পুলিসকী পার্সোনেল অমগী ইমুং মনুংদা লুপা কোতি অমগী চেক মনা খুৎশিন্নখ্রে।

মমাং চহিগী জলাই থাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলতোংবদা মশাগী মথৌ তৌরিঙৈদা লৈখিদ্রবা মনিপুর পুলিসকী কন্সটেবল সোইবম সঞ্জিৎ সিংহগী ইমুং মনুংদা চেক মনা অদু ঙরাং মনিপুর পুলিসকী এদিসনেল দাইরেক্তর জেনরেল (লো এন্দ ওর্দর) এল. কাইলুননা ইমুং মনুংগী মীওইদা শেনফম অদু খুৎশিন্নখিবনি।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ইং কুমজা ২০২৪ গী ওক্তোবরদা মনিপুর পুলিস অমসুং ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগা সহি তৌনখিবা অদুগী মতুং ইন্না স্কিম অসিগী মখাদা শেনফম অদু খুৎশিন্নখিবনি। মনিপুর পুলিসকী পার্সোনেল অমা লৈখিদ্রবা মতুংদা মতম চানা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মতেং পাংলকপবু থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা মনিপুর পুলিসকী পার্সোনেলশিংগী ইমুং মনুংগীদমক মনিপুর পুলিসনা লেপলি।

**পিডব্লিয়ুদি (এল)ঃ** চীংগী লমশিংগী ওইবা এক্সরনেল্লি এদেদ প্রোগ্রাম (ই.এ.পি) গী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটেরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৱাক্সকী কম্মিস্নার-এন. অশোককুমার, প্লান্নিংগী স্পিসিএল সেক্রেটেরি-নাইলেনথাং তেলিয়ন, পি.ডব্লিয়ু.ডিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার-চোংথাম বিশ্বচন্দ্র অমদি অতৈ ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি। মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা হায়-চীংগী জিলাশিংদা লন্বী থোংগী ফিভম ফগৎহনবা অমসুং মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহনবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি। থৌরাং অসিনা অমত্তা ওইনা পুন্না চাউখৎমীন্নদুনা শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎহনবদা

মতেং ওইগনি।

মহাকা হায়-ই.এ.পি. প্রোজেক্টশিং পায়খৎহনগদৌরিবা অসিনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং নিয়ম চুমা অশোয় অঙাম য়াওদনা অমদি অথুবা মতমদা খুমাং য়াংনা পায়খৎনবগীদমক্তনি। মহাকা হায়-চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিং চপ মান্ননা চাউখৎমীন্নবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

**গভনর (এল)ঃ** রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইনভেষ্টটিচর সেরেমোনি ফোর দি গভনরস য়ুনিট সাইটেসন-২০২৬ ঙসি পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখো, গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন শরুক য়াগনি।

থৌরমদুদা রাজ্যপালনা দা গভরনস য়ুনিট সাইটেসন খুৎশিন্নগনি।

**নরসিং (এল)ঃ** মহারাজ নরসিংগী ২৩৪ শুবা মপোক কুমওন ঙসি পাঙথোক্লি। মপুং ওইবা থৌরম মহারাজ নরসিংহ মেমোরিএল কমিতি ইম্ফাল অমসুং শ্রীশ্রী গোপিনাথজি টেম্পল বোর্ডনা শিনদুনা শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকাই ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি।

থৌরমদুদা রাজ্য সভা সদস্য-মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা অমসুং কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-ডা: আর.কে. রঞ্জন সিংহ শরুক য়াগনি।

**ময়োল (এল)ঃ** মনিপুরদা মীখল কাংলোন চুমা পাঙথোক্তুনা অফবা মীহুৎ খনশি হায়বসিগী পান্দমদা মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা মীয়ামবু হেন্না খঙহনবগী মীফম পাঙথোকপা হৌখ্রে।

ঙরাংসু তিংগ্রী য়ুথ দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা তিংগ্রীদা

অনৌবা লাংওনগী ভোট হায়বা হীরমদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

**মীখলঃ** নোংচুপ বেঙ্গোল, পুদুচেরি, তামিল নাদু, কেরলম অমসুং অসামগী বিধান সভা মীখলগী ফল লাউথোকখ্রবা মতুংদা সরকার শেমবা রাজনিতিগী ওইবা থবক থৌরমশিং কনখৎলক্লি।

নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাকখ্রবা মতুং অনৌবা সরকার শেমবা অমসুং ৱাশক লৌননবা থবক পায়খৎপা হৌরে। অনৌবা মন্ত্রি-মন্দল-গুরুদেব রবিন্দ্রনাথ টেগোরগী মপোক কুমওন থা অসিগী ৯ দা ৱাশক লৌরবা য়াই।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ্ শরুক য়াগনি।

তামিল নাদুদা সি সোজেপ বিজয়না লুচিংবা তামিললগা ভেত্রি কজগম (টি.ভি.কে) না সিট ১০৮ ফংদুনা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপা দল ওইখ্রবা মতুং নৌনা কারক্লবা টি.ভি.কেগী লেজিসলেচরশিংনা শ্রী বিজয়বু মখোয়গী লুচিংবা খনখ্রে। চেন্নাই ময়াগী পনায়য়ুরদা লৈবা দলগী হেদক্বাটরসতা পাঙথোকপা মীফম অমদা মহাকপু লুচিংবা খনখিবনি। মরক অসিদা, মুখ্য মন্ত্রি-এন. কে. স্তেলিননা ফম থাদোকপগী চেরোল রাজ্যপালদা পীশিনখ্রে।

পুদুচেরিদা নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন.দি.এ) না চাউনা মায় পাকখ্রবা মতুং অনৌবা সরকার শেমবগী থবক হৌখ্রে। কেরলমদনা কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু.দি.এফনা সরকার শেমবা থবক পায়খৎপা হৌরে। কংগ্রেসকী কেম্পতা দলগী লুচিংবশিংগী মীফম পাঙথোক্লি। য়ু.দি.এফকী পাউ মতুং ইন্না দিল্লিদগী ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতিগী মীহুৎশিং লাক্লবা মতুং লেজিসলেটিব পার্টিগী মীফম পাঙথোক্কনি।

মরক অসিদা, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মীরেপ অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিনা মহাক্কী কেন্দ্র ভাবানিপুরদা ভোট মশিং থিবগী মতাংদা শিরক্লিবা মরাল

অদুবু ইলেক্সন কম্মিসনননা অরানবা অমসং য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়রি। চেরোল অমদা সাউথ কোলকাতাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা হায়-ভোট মশিং থিবগী থবক কম্মিসনগী নিতি নিয়মগী মতুং ইন্না অশোয় অঙাম য়াওদনা চথখি। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারগী রিপোর্ট মতুং ইন্না আইনগী ওইবা চৎন-পথাপশিং ঙাকা অরান অহুই লৈতনা ভোট মশিং থিবগী থবক অদু চুমা অমদি অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা পাঙথোকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়-ভোট থিরিঙৈ মনুংদা সি.সি.টি.ভি. কেমেরাশিং মুখুৎখি হায়বদু অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নেসনেল হায়ৰেদা নম হাদুনা শেল খোমগৎপগী পাউ, দ্রগ ফাগৎপগী পাউ অমদি বোম থমজিল্লম্বগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীদা নম হাদুনা শেল খোম্বা লেপত্রি হায়বা পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

সনা লৈবাক্তা-রেলৱেগী থবক য়েংশিন্নবা কৌরক্লগা এম.এল.এনা এসিষ্টেন্ট ই.ই. ফুরক্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ই.ই. ফুরক্লে হায়রিবা ৱাফম য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়বা খুঞ্জাশিংগী ৱাফম অমসু সব হেদলাইন ওইনা পীরি।

চুরাচান্দপুরদগী য়াম্লবা দ্রগ সেক্যুরিতিনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। দ্রগ পুরকপা ম্যান্মার মচা মরি অমসু ফাগৎপা ঙমলে হায়বসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী য়েংলগা এরোপ্লেন ভারা অসি সবসিদাইজ তৌনবা জে.এ.সিনা সেন্টরদা তকশিনবগী পাউ অহানবা

হেদলাইন তৌরি।

নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী তরবুজ থাদুনা হিংনবা হোৎনজরুবা লৌমীশিং কোক্তা খুৎ হাপলে হায়বা এক্সক্লুসিপ রিপোর্ট অমা হুইয়েন লানপাউগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

চপ চাবা মরম পীদনা অখন্নবা রিক্রুইটমেন্ট কেন্সেল তৌবনা আর্টিকল ফোরতিন খোঙ্গাউনৈ হায়বা হায় কোর্টকী ৱাফম পোকফমগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

থিজিনবা অমগী মতুং ইন্না উচেক শেন্থ্রাং ইম্ফালগী মফম অমদা চহি চুপ্পা শৈদাংদুনা লৈবগী পাউ অমা দা পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা অখন্নবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-জেনিমস অমদি দি.সি. ওফিস তাখিবা লম্বীগী ফিভম অদুক্কী মতিক ফৎত্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-অসামগী অনৌবা এম.এল.এশিংগী মনুংদা চাদা ১৭ তি ক্রিমিনেল কেস মায়োকরি। চাদা ৮৫ না ক্রোরপতি ওইরি হায়বা এ.দি.আইগী রিপোর্ট অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-এম.সি.এস. ওফিসার ২৯ প্রমোসন পীখ্রে। মসিগী মনুংদা জেলিয়াংরোং ওফিসার মরি য়াওরি হায়বসি অহানবা লামাইদা ফোংলি।